# ৱাঙ্গোইগী লাইনিংথৌ সনামহী খুভমদা ইরাৎ থৌনি পাঙথোক্তুনা লৈকোল অমদি ট্যুবৱেল খুৎশিন্নখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস) : চহী খূদিংগী ফাইরেন থানিন খূদিংগী ৱাঙ্গোইদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহী খুভমদা পাঙথোকপা লৈবাক চাকহোং ঙাহোংনবা অমদি খুঞ্জাও লৈচাওনবা সনামহী ইরাৎ থৌনিগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

লাইনিংথৌ সনামহী থৌগল লূপ, ৱাঙ্গোইনা শীন্দুনা লাইনিংথৌ সনামহী লাইকোনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী মনুং চন্না লাইনিংথৌ সনামহীগী খুভম অসিদা নৌনা শাবা লৈকোল এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর নিংথৌজম গোজেন্দ্রোনা মায়খুম হাংদোক্তুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখি। লোয়ননা থৌরমগী মখা চত্থরকপা ওইনা ট্যুবৱেল অমসু আর কে গোপকুমারনা মায়খুম হাংদোক্তুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখি।

লাইনিংথৌ সনামহী খুভমদা নৌনা শঙ্গাদুনা হাংদোকখিবা লৈকোল অদু ৱাঙ্গোইদগী ৱাহেংবম জাদুমনি অমদি মহাক্কী লোয়নবী ৱাহেংবম বালানা কৎপনি। লোয়ননা ট্যুবৱেল অদুনা কৈশাম্পাৎ থোকচোম লৈকায়দা লৈবা আর কে গোপকুমার অমদি মহাক্কী লোয়নবী আর কে ওংবী সলাম উমা অনীনা কৎপনি। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা মশক নাইবা মীওই কয়ানা লুচিংদুনা উ চারা থাখি।

লাইনিংথৌ সনামহীগী খুভমদা চহী খূদিংগী লৈবাক চাকহোং ঙাহোংনবা অমদি খুঞ্জাও লৈচাওনবা পাঙথোক্লিবা থৌরম অদুগী মতাংদা লাইনিংথৌ সনামহী থৌগল লূপ, ৱাঙ্গোইগী সেক্রেটরি লোংজম অবোথেনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসিগী থৌরম অসি লমদম অসিগী সনামহী লাইনিং চৎচবশিংগী ওইনদি য়াম্না মরুওইবা নুমীৎ অমনি। থৌরম অসিনা চহী অসিগী ওইনা চাকহোং ঙাহোংননা অমদি নুংঙাই য়াইফনা পান্নবা মীয়াম্না থৌনিজবনি।

ৱাঙ্গোইদা লৈরিবা সনামহীগী লাইফম অসি সনামহী লাইনিং চৎপশিংগী ওইনদি য়াম্না মরুওইবা লাইফম অমনি। মরম অসিনা চহী খূদিংগী লাইফম অসিদা লাক্লিবা মীয়াম্না লাইগী থৌগল তৌবা অমদি লাইফম্লেন অসিবু মপুং ফানা শেমগৎপা য়ানবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লাইফম্লেন অসিগী চহীগী ওইবা শেনফম খরা থাদবীয়ু। লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী মণিপুরগী লৈরিবা অতৈ লাইফমশিংদা পীরিবা মতেংগুম্না ৱাঙ্গোইগী লাইনিংথৌ সনামহী খুভম অসিগী ওইনসু অঙন্বা মতেং পীবীয়ু হায়নসু আপীল তৌখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা লাইনিংথৌ সনামহী খুভমদা নৌনা শাবা লৈকোলগী মায়খুম হাংদোক্তুনা খুৎশিন্নখিবা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর নিংথৌজম গোজেন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, লাইনিংথৌ সনামহী থৌগল লূপ, ৱাঙ্গোইনা শীন্দুনা য়াম্না মরুওইখ্রবা লাইনিংথৌ সনামহী খুভম অসিগী অকোয়বদা শেমগৎ-শাগৎলিবা লৈকোল অসি য়াম্না ফজবা লৈকোল অমনি। অসিগুম্বা থৌরাং থৌশিল পায়খৎলকপা অসি থাগৎনিংঙাইনি। মণিপুরগী পুৱারীগা তৎন-থানবা য়াদ্রবা য়াম্না লুখ্রবা লাইনিংথৌ সনামহী লাইফম্লেন অসি শেমগৎ শাগৎপদা মরী লৈনবা মীওইশিংনসু অঙম-অঙন্বা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু আপীল তৌখি।

থৌরমগী মখা চত্থরকপদা লাইনিংথৌ সনামহী খুভমদা চহীগী চাকহোং ঙাহোংবা অমদি য়াইফ মরাং কায়না লৈনবগীদমক থৌনিজবা লাকপা মীওইশিংদা লমদম অসিগী শক্লাইরবী ফোক শৈশকপী পিঙ্কি সাইখোম অমদি মাগী কাঙবুনা খুনুং ঈশৈ শক্তুনা মীয়ামদা তাহনখিবগা লোয়ননা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা অখন্নবা মীথুংলেনশিংদা লেংয়ান ফী অমমমগা লোয়ননা উ চারা অমমমসু খুদোল তমখি।

# য়াইফ লৈকায় লম্ফেলদা গোসাইময়ুম চনু সপনানা ইবা লাইরিক ফোঙখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস) : চহী নৌরিবী গোসাইময়ুম চনু সপনানা ইবা এ মেম্যুর ওন হ্বাট ইটস লাইক টু কম আউট এজ ক্বীর ইন মাই মিদ-৩০ হায়বা লাইরিক অমা ঙসি য়াইফ লৈকায় লম্ফেলদা ফোঙখ্রে।

ঙসি লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা গোসাইময়ুম চনু সপনানা ইবা লাইরিক্কী মরমদা শৌগাইজম থৌজাল খুমননা ৱা ঙাংখি। লাইরিক অসি মহাক্কী ইমুং-মনুং, পার্টনর, ফ্রেন্দস অমদি মীয়াম্না ক্বীরগী মতাংদা খঙহন্নবা অমদি মখোয়বু লুনা চান্না তৌবদা নত্তনা ঈকায় খুম্নবা উৎনবগী পান্দমদা ইবা লাইরিক অমনি। লাইরিক অসিদা ক্বীর নেরেটিভসকী মতাংদা নুমীৎ খূদিংগী ৱারী-ৱাতাই শানবগী তাঙ্কক কয়াসু য়াওরি। হায়রিবা লাইরিক অসিদা ক্বীর পিপলশিংদা মরুওইবা এদ্যুকেসন, হেল্থ, লিগেল সেক্তর, ৱার্ক প্লেস অমদি সোসাইটি অসিদা মতৌ করম্না লোয়নগদগে অমসুং পুনগদগে হায়বনচিংবগী মতাংদা খঙহন্নবগী ৱাফম কয়া য়াওরি।

লাইরিক অসি মরুওইনা ক্বীর পিপলশিংগী মেন্টেল হেল্থপু মান্নবা থাক অমদা পুরক্নবগী পান্দমদা ইবা লাইরিক অমনি। লাইরিক অসিদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা, মরুপ-মপাংশিংনা অমদি সোসাইটিদা লৈরিবা মীওইশিংনা ক্বীর পিপলশিংবু ঈকায়বা পীবা অমদি তোঙানবা মীৎয়েংনা য়েংবগী থৌওং অদু তৌবীদনবা ৱাফম কয়াসু য়াওরি। লোয়ননা মখোয়গীদমক পূক্নিং থৌগৎনবা হোৎনবীবগা লোয়ননা করিয়রদা হেন্না মতেং পাংহন্নিংবগী ৱাখল্লোন কয়াসু য়াওরি। অইবী অসিনা ক্বীর পার্সন অমা ওইনা পোক্লকপগী চাউথোকচবা অদু ফাওহন্নিংবগী ইথিলসু য়াওরি।

## থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# বৃটিশ’কীনা ক্রিমিনেল, লমদমসিগীনা নেতাজি

ঙসি মরী-মঙানি মমাঙগী পাউ ওইরমাল্লে- ইন্দিয়াগী ফ্রীদম ফাইটরশিংগী মরক্তা অথোয়বা, অশেঙবা ফাইটর/লাল্লোয় অমনি শীংথানরিবা, আজাদ-হিন্দ-ফৌজ (নীংতম্বা-হিন্দুস্তানগী লান্মী) হায়বা অফোঙবা- নীংতম’-লান্মী তেঙ্গোল অমা লীংখৎলমখিবা ‘সুভাসচন্দ্র বোস’কী মমিঙ, য়ুনাইটেদ নেসন্স’গী রেকোর্দ’তা ‘ৱার ক্রিমিনেল’ অমা ওইনা লৈরিবদু লৌথোকহন্নবা মীয়ামগী খুৎয়েক (সহি) খোম্বগী দ্রাইভ অমা মণিপুরদসু চত্থখ্রে- হায়না ফোঙলকখিবদু। পাউ অদু ঐঙোন্দদি ঙক্না থোকখি। ক্রিমিনেল হায়বা ৱাহৈসিগী ৱাহন্থোক ‘মীহাৎ-মীপুনগুম্বা, আইন’না য়াদবা থবক অমা লংশিল্লুরবা মী’- হায়বনি। ‘ৱার-ক্রিমিনেল’ হায়বসিনা ‘লান্দা-মী-হাৎলুরবা, মরাল লৈরবা মী’… লাল্লব্রা? লান’ লান্মী ওইনা থাজিনবা হায়বসি ‘য়েক্লবা হাৎলুচো’ হায়দুনা অয়াবা (পর্মিৎ) পীবা নত্তরা? য়েক্লবগী লান্মী মশীং য়াম্না হাৎপা ঙম্বা লাল্লোয়দুবু ঐখোয়না ‘থৌনা ফবা’ (বীর) কৌনবদাই? লানফমদা য়েক্লবা কয়া হাৎলম্লগা শিজখিবা লান্মীদুবু ভারত-লৈঙাক্না মখল মখলগী ‘বীর-চক্র’, থৌনা ফবই মনা পীদুনা ঈকায় খুম্নে। মখোয় ক্রিমিনেল নত্তে। অদুবু, ঐখোয়গী লান্মী হাৎখিবা য়েক্লবগী লান্মী, ফাদুনা ঐখোয়গী ফাদোক ওইরবা মহাক্তুদি ক্রিমিনেল’নি, ‘ৱার প্রিজনর’ কৌই। ঐখোয়গী লান্মী, য়েক্লবগী মখুৎ চনখ্রব’দুসু, মখোয়গী ৱার-প্রিজনরনি, ক্রিমিনেলনি।

ৱাকোই কান্নদে। মচঙ ওইবা ৱাদুদা হেক্তা লাক্লসি। অনীশুবা লাঞ্জাও হৌখ্রবা মতুং-ময়ুমদই মপান থোকহন্দনা থল্লম্বদই লোন্না চেনখ্রগা জর্মনদা শাফোঙলকপা, বৃটিশশিংগী মায়োক্তা, ইন্দিয়াবু নীং-তমহন্নবা লান শীংনরগনি, লাউথোক্লকপা, হিতলরগা উন্নরবা মতুংদা, জর্মনদগী ইন্দিয়াগী নীংতম-লান-হৌদৌ-শরুক, নৌনা মিলিটরি-পাঙ্গল-কনখৎলক্লিবা জাপান’গা মীচঙ ওইরগা বৃটিশ-আর্মি’গা লম্বানবা হেন্না খুদোংচাগনি খন্দুনা জাপান-পাংলমদাইদুদা, ইন্দিয়াগী অশেঙবা লুচিংবা ‘নেতা’ হায়বদু মহাক্তনি হায়দুনা ‘নেতাজি’ মিংথোল পীখিবনি জর্মন’দা লৈবা ইন্দিয়নশিংনা।

অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাওদুদা ‘নেতাজি সুভাস চন্দ্র বোস’না লৌখিবা থৌদাং ইন্দিয়াবু খুদুম চন্দুনা থল্লিবা ‘বৃটিশ-আর্মি’গা লান-পানবগীদমক ‘আজাদ হিন্দ ফৌজ’গী লান্মীশিংনা, জাপানিজ ক্রুপশিংগা লোয়ননা ইন্দিয়া তম্না থোমজিল্লকপদা মণিপুরগী মোইরাং অমসুং ইম্ফাল য়ৌরক্লমবই ৱারী… মদুগী মমাঙ গান্ধী-নেহরুনচিংবা নীংতম-অন্দোলনকারীশিংগা লোয়নরম্বা, মত খেন্নরকপা, ৱাখল মান্নরক্তবগী ৱারীনচিংবা, মীয়াম্না খঙনরবা ৱারীশিংদু ঙসি তমগে পায়খৎচরুবা ৱারীসিগা শমজিন্নফম খরা ৱাৎপনা মতাংসিদা তেনশিল্লসি। ‘নেতাজি’বু বৃটিশশিংনা ‘ৱার ক্রিমিনেল’ অমা ওইনা লৌখিবা, য়ুনাইটেদ নেসন্স ওর্গনাইজেসনগী রেকোর্দ’তা লৈখিবগী ৱারীসি, ৱাগী ৱাখুন থিরুবদা খঙলকই- ১৯৪৫, ওগষ্ট ১৮দা প্লেন কায়বগী থৌদোক অমদা শিখ্রে হায়না থাজনরিবা পাউ অসিগা মরী লৈনৈ।

‘ইন্দিয়া’ ওইজরগসু ‘বৃটিশ ইন্দিয়া’ হায়রগনা হেন্না চুম্বা ওইরিবা মতম, ১৯৪৭ ওগষ্ট ১৫গী মমাঙদা শোক্লখিবা লান’দুদা ‘বৃটিশ-আর্মি’গী মায়োক্তা, জাপানিজ লান্মীশিংগী মীচঙদা লান য়াওরুবনা ‘সুভাস চন্দ্র বোস’- বৃটিশশিংগী মীৎয়েংদা ৱার-ক্রিমিনেল অমনি। মখোয়গীদমক লাম্থেংনরল্লগা থৌনা ফবা/অথৌবা ওইরমগদবনি। সুভাস চন্দ্র বোস, মহাক্লা তোংখিবা প্লেন অদু কায়খ্রবা মতুংদা, মৈনা চাক্লবা হকচাং অদু তাইৱানগী হোস্পিটাল অমদা পুখৎলক্তুনা লায়েংলম্বগী পাউ অমদি রেকোর্দতি ফংখি, অশিবা হকচাং অদু পোৎলোয়বা উহৌবা/য়াওরুবগী পাউ/রেকোর্দতি থেংনখিদে।

১৯৪৫, ওগষ্ট১৮দা শিরে হায়বা পাউ সরা সনখ্রবা মতুংদা, পন্দিত জৱাহরলাল নেহরু’না বৃটেনগী প্রাইম মিনিষ্টর’দা ইরম্বা চিঠি অসি অমুক্তং পামিন্নবা নুংঙাইনি :-

ক্লেমেন্ত অট্লী/প্রাইম মিনিষ্টর ওফ বৃটেন/১০, দোনিং স্ট্রীৎ, লন্দন/নবেম্বর ২৬, ১৯৪৫।

দিয়র অট্লী/খ্বাইদগী হেন্না থাজবা য়াবা পাউগী লীখুনশিংদগী খঙলে মদুদি অদোমগী ৱার-ক্রিমিনেল ‘সুভাস চন্দ্র বোস’পু স্তেলিন’না রসিয়া’গী ঙমখৈ মনুংদা চঙবা য়াবগী অয়াবা পীদুনা চঙহনখ্রে। মসিদি তশেংনমক থাজবা হাৎপা, অচৌবা নমথাক অমগী থৌওংনি… রসিয়া হায়বসি বৃটিশ অমদি অমেরিকাগা লোয়ননা মীচঙ ওইনা লাম্থেংমিন্নখ্রিবনি, রসিয়নশিংনা তৌরিবসি তৌহৈদবা থৌওংনি। লৌখৎফম থোকপা, অদোম্না তৌফম থোকপা থবক-থৌরমশিং অদু লৌখৎপীনবা হায়জরি। অদোমগী থাজনীংঙাই ওইরবা/জৱাহরলাল নেহরু।

১৯৪৫গী প্লেন কায়বা থৌদোক্তুগী মতুংদা, নেতাজি সুভাস চন্দ্র বোস, করম্না মফম খঙদনা মাঙখ্রিবনো/মশক উখিদ্রিবনো/শিখ্রে হায়রগসু অশিবা হকচাং কনানা/কদায়দা উখিবগে হায়বনচিংবা ৱাফমশিংসিগী মরমদা থিজিন্নবা ১৯৭০দা শেমখিবা খোসলা কম্মিসন’দা, ইন্দিয়ন নেসনেল আর্মি (আই এন এ), দিফেন্স কম্মিটিগী স্তেনোগ্রাফর ওইরম্বা ‘শ্যামলাল জৈন’না মথক্কী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

বৃটিশ’শিংনা ‘নেতাজি’গী মিংবু অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মতমদুদা ‘ৱার ক্রিমিনেল’ অমনি হায়দুনা য়ুনাইটেদ নেসন্স’তা লানখৎখিবা, ‘নেহরু’নসু শৌগৎখিবা, চহী হুম্ফুতরাতরেৎ হেল্লবা ৱাফমদু ঙসিসু হান্নগুম লেঙদনা লৈরল্লি। মশাগী লৈঙাক পথাপ লৈজরবা লমদম অমা ওইখিবা চহী হুম্ফুতরামঙা শুরবা ফাওবসিদসু ঙসি ফাওবা পানখিবা দেল্লী-লৈঙাক (সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট) অমত্তনা ‘নেসনেল হীরো’ অমবু মরাল লৈবা ক্রিমিনেল অমা ওইনা মালেমগী লৈপাক অতৈগী মাঙদা শক্তাক্লিবা- হোংদোকহন্নবা অমুক ফাওবা হোৎনরমদ্রি। বেঙ্গলোরগী আর টি আই এক্টিভিষ্ট চুরামনি নগেন্দ্র কৌবা নুপা অমনা মোদি-লৈঙাক্তা হংখি… ‘ইন্দিয়া-লৈঙাক অসিনা ‘য়ু এন’দা নেতাজিগী মফম পীরিবা অথিবা মিংথোল অসি লৌথোকপীনবা কৈদৌঙৈ হোৎনখিবা লৈবগে’…। লৈখিদে। ইচম চম্বা, মপূম ফারবা পাউখুমনি। বৃটিশ লৈঙাক মতমগী কাউঙমদ্রবা শক্তম-মিতম-লম্বী কয়া নীংশিংহন্নবা হোৎনরম্বা মিংথোল কয়া ইন্দিয়ন ওইবা মিংথোল ওইনা হোৎনরকপা তানফমনি। ইন্দিয়া গেৎ’তা ফুত ২৮ ৱাংবা, অমুবা নুংঙৌনা শাবা নেতাজি সুভাসকী মিতম, তেলঙ্গনাদগী চাকা ১৫৫ পানবা ত্রক অমদা পুরক্লগা খিনখিবদা ঙায়রিঙৈনি। ইন্টরনেসনেল ইমেজ’দনা ‘ক্রিমিনেল’, লমদমসিগীনা নেসনেল হীরো ! কয়াদা তায়োন্নরবা ! মরমসিনা ওইবা তায় ‘জাতিয় জাগরন মঞ্চ’ (লৈপাকপু মীকপ থোকহনবা ফম্বাক) কৌবা প্লেটফোর্ম অমা শেমদুনা, মীয়ামগী খুৎয়েক (সহী) খোম্লগা ৱাকৎ অমা থাঙ্গত্তুনা মিংথোল অসি লৌথোকহন্নবা হোৎনরক্লিবা, মীওই কাঙলুপ খরনা।

লুচিংবা খরনা হায় ‘মখোয়গী মীৎতা ক্রিমিনেল ওইনা উরবসু ঐখোয়গীদি নেতা’নি, লুচিংবনি ঐখোয়গী… ঐখোয়গী নেসনেল হীরোনি’। মণিপুর কৌবা লমসিগী, মীয়ামগী লুচিংবা ইরাবোত, বৃটিশনা ঙাক শেল্লগা লৈঙাক্লম্বা নিংথৌনা ‘মীরক্তা লৈবা য়াদবা মীচেন’ অমনি লাউথোক্লম্বদু ঐখোয়গী চীফ মিনিষ্টর ৱাহেংবম নিপামচা’না অতোপ্পা য়াথং অমনা হান্নগী য়াথংদু ককথৎখিবা থৌওংদু নীংশিংহনবা কান্ননি। মখোয়গী থৌনা হাপকনি।

## ব্লদ দোনেসন কেম্প

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস) : আই জি এ আর (সাউথ) হেদ ক্বার্টর তেংনৌপল বট্টালিয়ন অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা জৱাহরলাল নেহরু ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)কী টিম অমনা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

ব্লদ দোনেসন কেম্প অসি ষ্টেট অসিদা হৌজিক হৌজিক ঈগী অৱাৎপা লৈরিবা অসিদা খরদং ওইরবসু মেনখৎপা ঙম্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপা কেম্প অমনি। ঙসি পাঙথোকখিবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অদুদা খুঞ্জাশিং অমদি তেংনৌপল বট্টালিয়ন সোল্জরশিং য়াওনা পুন্না মীওই ৪০ রোম্না ব্লদ দোনেসন তৌখি। লোয়ননা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংদা ব্লদ দোনেট তৌবগী কান্নবা অমদি ঈ কৎলিবা মীওই অদুদা পীরিবা কান্নবশিংগী মতাংদসু খঙহন্দুনা এৱ্যেয়র্নেস পীখি।

ঙসিগী ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখিবা অদু লাইবক থীবা থৌদোক্তা অমদি ঈগী তঙাইফদ্রবা মতমদা ঈ পীদুনা মীওইবগী থৱায় কন্নবগীদমক অমদি মীওইবগী মীনুংশি উৎনদুনা অমনা অমগী মতেং পাংনবগী ৱাখল্লোন অদু পাক শন্না শন্দোক্লবগী পান্দমদা তেংনৌপল বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা পাঙথোকপনি হায়রি।

# এম টি এসকী রিজল্ট ফেব্রুৱারী ২০ ফাওবগী মনুংদা হায়দোক্ত্রবদি জে এ সীনা সী এস ও অমদি মীয়াম য়াওনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি : জে এ সী



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস) : এম টি এসকী রিজল্ট লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ২০ ফাওবগী মনুংদা হায়দোক্ত্রবদি জে এ সীনা সী এস ও অমদি লৈবাক মীয়ামগা পুন্দুনা মণিপুর পুম্বদা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা শেম-শাবা লোইরে। মসিদা থোক্লক্কদবা অফ-ফত্তগী তেকচাক পুম্বা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা পুগদবনি হায়না জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এদ্যুকেসন (এস) এম টি এস রিটন টেষ্ট কমপ্লিটেদ ২০১৬ এন্দ ২০১৮ বেটচকী কো-কনভিনর শগোলশেম গম্ভিরনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা জে এ সী অসিগী কো-কনভিনর শগোলশেম গম্ভিরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা ২০১৬-১৮দা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মখাদা রেগ্যুলর বেসিসতা এম টি এস পোষ্ট ৪১৩ এদ্যুকেসন (এস) দিপার্টমেন্টনা নোটিফিকেসন অমা ২০১৮গী ওগষ্ট ২০দা থোক্তুনা রিটন টেষ্ট ২০১৯গী মার্চ ১০দা তৌবীদুনা অন-ইমপ্লোয়ী য়ুথ কয়াগী থম্মোয়দা থবক তৌরগনি হায়বগী থাজবা মঙলানদা এগজাম য়াওহনখ্রবা মতুং ঙসি ফাওবা শাংলবা চহী ৫/৬ শুজিল্লক্লবা অসি ফাওবদা রিজল্ট লাউথোকপীদনা নমশিন্দুনা থম্বীরিবা অসি লমদম অসিগী থবক ফংদ্রিবা নহাশিংগী মরাইবক থিহনবনি।

হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী মিনিষ্টর অমদি এম এল এশিংদা জে ইন্ট এক্সন কম্মিটি এদ্যুকেসন (এস) এম টি এস রিটন টেষ্ট কমপ্লিটেদ ২০১৬-১৮ বেটচনা হায়জবা পুম্বা অরেম্বা তাহন্দুনা থম্বীরে। হীরম অসিগী মতাংদা এসেমব্লীগী মীফম কয়াদা ঙসি ফাওবদা এম টি এসকী ৱাফম কনানসু পুখৎপীদনা খন্ন-নৈনখিবা তৌবীখিবসু লৈত্রি। মসিনা তাকপদি বি জে পি লৈঙাক্কী লুচিংলিবা মীয়ামগী চীফ মিনিষ্টরনি হায়নরিবা নোংথোম্বম বিরেননা এম টি এসকী কেন্দিদেটশিং থৌওইদবনি অমদি মীরায়বনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

হন্দক পাঙথোকখিবা নীংথম বডজেটকী এসেমব্লী মীফম অদুদা এদ্যুকেসন (এস) এম টি এসকী ৱাফম অমফাওবা খন্নবা য়াওদবা অসিনা এম টি এসকী রিটন এগজাম থাখিবা কেন্দিদেটশিংগী থম্মোয়দা অৱাবগী মথক্তা অৱাবা পোৎলুম অমুক্কা হেন্না হাপকৎপীবা হায়বদু ওইরে। খ্বাইদগী মতম শাংনা নমশিল্লগা থল্লিবা দি পি সী অসি এম টি এসনি। কুমজা ২০১৮দগী হৌজিক ফাওবা নমশিল্লগা থল্লিবা পোষ্ট ৪১৩ অসিগী অশেংবা মরোল অমা লৈঙাক্লা অথুবদা পীবীরো। নৎত্রবদি এম টি এসকী রিটন টেষ্ট এগজাম থাজখিবা কেন্দিদেটশিংবু মীরায়বীরে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরম অদুনা ঈকায় খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা কেন্দিদেট ঐখোয়গী মীনুংশি অমদি অৱাবা উবীরগা অথুবা মতমদা রিজল্ট হায়দোকপীরো হায়খি।

নীংশিংবা য়াবা অমনা জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এদ্যুকেসন (এস) এম টি এস রিটন টেষ্ট কমপ্লিটেদ ২০১৬-১৮ অসিগী মায়কৈদগী হৌজিক হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী চীফ মিনিষ্টর অমদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনচিংবা থৌদাং লৌরিবা মীওইশিং অসিদা মেমোরেন্দম কয়া পীশিনজখিবসু লৈখ্রে। অদুবু এসেমব্লী মীফমদা এম টি এসকী ৱাফম অমত্তা পুথোকপীদ্রিবসি এম টি এসকী রিটন টেষ্টতা য়াওখিবা মীওই লিশিং কয়া অসিবু মীরায়বীরব্রা হংদবা ঙল্লক্তে। মরম অদুনা চৎলিবা থা অসিগী ফেব্রুৱারী ২০ ফাওবগী মনুংদা রিজল্ট হায়দোকপীদ্রগদি লৈবাক মীয়াম য়াওনা সী এস ওশিংগী মতেংগা লোয়ননা জে এ সী অসিনা অকনবা মওংদা খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি। চঙশিনগদৌরিবা খোঙজং অসিদা থোক্লককপা অফ-ফত্তগী তেকচাক পুম্নমক হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা পুগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা জে এ সী অসিগী মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি।

# এম এস আর এল এম ব্লোক মিসন মেনেজমেন্ট য়ুনিট জিরিবামনা শীন্দুনা অহমাদবাদতা কন্সেপ্ট সীদিং কম ভি এল এফ ফোর্মেসন তৌখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস) : মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদস মিসন (এম এস আর এল এম) ব্লোক মিসন মেনেজমেন্ট য়ুনিট জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবামগী অহমাদবাদতা কন্সেপ্ট সীদিং কম ভি এল এফ ফোর্মেসন তৌখ্রে হায়রি।

জিরিবামগী অহমাদবাদতা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অহমাদবাদ পার্ট ৱানগী জি পি মেম্বর অব্দুল অতলিব, জিরিবামগী সোসল ৱার্কর অব্দুল নুর, বোইতুন অমন জেম মসজিদকী জোইন্ট সেক্রেটরি সোইবুর রহমন, এম এস আর এল এম ব্লোক মিসন জিরিবামগী মেনেজর ৱাহেংবম প্রেমচান্দ, রোহোমোট আলি অমদি সোসল ৱার্কর বুরহানউদ্দিননা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

নীংশিংবা য়াবদি, জিরিবাম ব্লোক সোনাপুর জি পিগী খুঙ্গং অহমাদবাদ ভিলেজ অসিদা লৈবা এস ঐচ জি ৮ হায়বদি লকি এস ঐচ জি, খুসি এস ঐচ জি, লিলি এস ঐচ জি, ফ্লৱার এস ঐচ জি, সাহরা এস ঐচ জি, মিনারা এস ঐচ জি, চম্পা এস ঐচ জি অমদি রেদ এস ঐচ জিগী অপূনবা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ মেম্বর ৯৩না পুনশিন্দুনা এস ঐচ জি নুপীশিংতগী ওইবা ভিলেজ লেভেল ফেদরেসন (ভি এল এফ), এ ঐচ এম ঈ দি আই এ কৌবা ভি এল এফ অমা শেমখ্রে।

ঙসি শেল্লিবা ভি এল এফ অসিনা জিরিবাম ব্লোক্কী ১৩শুবা ভি এল এফ অমদি সোনাপুর জি পিগী অহুমশুবা ওইরি। ব্লোক মিসন মেনেজমেন্ট য়ুনিট জিরিবাম সী দি ব্লোক, মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসন দিপার্টমেন্ট ওফ রুরেল দিভেলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা ঙসি জিরিবাম সী দি ব্লোকনা প্রমোট তৌরিবা ভি এল এফ খুঙ্গংদা য়ুম্ফম ওইরগা শেম্বগী ওইবা নুংগী ওইবা ৱাখল্লোন অমদি পান্দমদি লৈত-লায়রা খায়দনা থোং মান্ননা হিংমিন্নবা অমদি মান্নবা চাকথুং ফংমিন্নবা হায়বা য়ুনিভর্সেল সোসল ইনক্লুজনদা য়ুম্ফম ওইবনি। লোয়ননা ভি এল এফসিদা য়াওরিবা এস ঐচ জিশিংবু য়েংশিনবা অমদি মপাঙ্গল থৌনা হাপ্পা, খুঙ্গংসিগী মনুং অমসুং মপানদা লৈরিবা লোয়শঙশিংগা খুৎশম্নদুনা খুঙ্গংসিদগী লায়রবা মুত্থৎপা, খ্বাইদগী খুদোংচাদ্রবা খুদম ওইনা হায়রবদা লুখ্রা, মমা-মপা লৈজদ্রবা, মীগা মীমান্নদ্রবশিংদা মতেং পাংবা, নুপীশিংবু থৌনা পাঙ্গল হাপ্পুনা মীরক তীনবা ঙমহনবা অমদি বেঙ্ক, লাইন দিপার্টমেন্ট, লৈঙাক্কী লোয়শঙ অমসুং লন্নাই লোয়শঙশিংগা খুৎশম্নদুনা চার্ডখৎনবা হোৎনমিন্নবনচিংবনি হায়রি।

## তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৫ (ঐচ এন এস) : কুরাওমখোঙ য়ুনাইটেদ ক্লব (কে এম য়ু সী)কী এদভাইজর সলাম সোমোরজিৎপু হন্দক্তা ইন্দিয়ন পুলিস সর্ভিস (আই পি এস)তা প্রমোট তৌরকপা অসিদা হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা কুরাওমখোঙ য়ুনাইটেদ ক্লব (কে এম য়ু সী), সয়াং রোদ সগোলবন্দ কুরাওমখোঙদা লৈবা ক্লব অসিগী ওফিসতা তরাম্না ওকখ্রে হায়না কুরাওমখোঙ য়ুনাইটেদ ক্লব (কে এম য়ু সী)গী জেনরেল সেক্রেটরি থোকচোম নাওবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়ন পুলিস সর্ভিসতা প্রমোট তৌরকখ্রবা সলাম সোমোরজিৎ ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চন্না লৈবা সগোলবন্দ কুরাওমখোঙ সয়াং রোদকী কুরাওমখোঙ য়ুনাইটেদ ক্লবকী এদভাইজর অমা ওইনা ক্লব অসিনা পায়খৎলকপা চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংদুনা লাকখিবা মীশক অমনি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৬।০২।২০২৩ ইং, নিংথৌকাবা,
ফাইরেলগী ১৬নি পানবা।

মেষ: অরিবা থবক পাঙবা, পল্লম্বা লন ফংবা, অফা-অপুন লৈরল্লসু কোকপা নুমিৎনি। মরুপ মপাং অমদি নথক থোংবগদি লান্না খন্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাখিরোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

বৃষ: মীতোপ থাজবা অমুক্তা হৈখিনু-লন চৎকনি। ৱাখল থোক্কনি-খজিক্তং খন্থরগা থৌপাঙউ। অচুম্বগী পাঙ্গলসু উবা ফংজগনি-মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিথুন: নচা-ননাই নৎত্রগা নঙবু য়াবা মীশিংগা ৱাতান্ননা থৌ পাঙউ-মায়থিবা লৈরোই। নাইতোম অরুবা থবক পাঙগনু- অৱাবা মায়োক্লগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কর্কট: শেন্দোং য়াম্না লৈবা, মীগী মতেং ৱারসু ফংজবা, মতাং চানা থৌনা ফুদোকপা য়াবা নুমিৎনি। অফবা মীংচৎ তানবদসু অকায়বা লৈরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

সিংহ: খাঙবা কনবা, য়েৎনবদা কিদবা অমদি য়েক্লবসু লায়না খুদুম চনবা ঙম্বা নুমিৎনি। হুরানবা/অরাপ্পা মীদদি থাজবা থল্লদি মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্নিং ফাথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কন্যা: লাইবক ফবনা শেন্দাল লম্বীদা কান্নবা অমদি হোয়া ফবগী কান্নবা লৈগনি। মীয়ামগদি মরী ফরোই, নচাক নরল ঈরাং পুরদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্নিং ৱাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

তুলা: অশাওবা, মরম চাদনা নচাক নরল কায়নবা হোৎনবা অমত্তা কান্নরোই। খন্থরগা পাঙবা থবক্তদি খুৎচাও থাবা য়াগনি, মীচঙ হেনগৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

বৃশ্চিক: চিন শোয়রগা শেল তিংবা, মরম ইচা চাদনা অফা-অপূন নংবা, অশাওবনা মাঙজবা নুমিৎনি। অচুম্বনা মাঙওইনরদি মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈংথনা লৈয়ু-ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

ধনু: মীয়াম্না য়াবা থৌওংনা নঙগী উপায়নি। পন্দুনা লৈখিবা শেল থুমদি ফংবগী নুংঙাইবা লৈরসু পামদবা পাউ তাবা, অঙম্বনা তাথিবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা য়াই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মকর: ইমুং মনুং ৱা তান্নবনা ঙসিসু নুংঙাইগনি, অনৌবা থৌরমদগী কান্নবা য়াম্না লাক্কনি। নাপল চাওরদি কোক চিক্কনি, মীনা লাকচখিনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী হান্নদে হেন্না ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কুম্ভ: নীংবা থুংগনি-চিংনগনু। শেন্দোং তানবৈ লমদা খুৎচাও থাবা য়াগনি। মরুপ মপাংগা শাওনদনবা হোৎনৌ। অফবা মীংচৎ তানবদি য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিন: ইমুং মনুং অমদি থাজবা মরুপ মপাংগী মতেংনা পাংঙমদবা থবক পাঙউ হায়বা লৈ। অদু নত্তনা হোয়া ফরবা/হৈপা শারদি মাঙগেদনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়বা ঙাংবা পকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।